**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01.07.2024)**

**বিরেন (এল)ঃ** ভারত্তা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম ঙসিদগী চৎনবা হৌরে।

মনিপুরদসু অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনবা হৌবগা মরী লৈননা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতা-২০২৩, ভারত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা সনহিতা সুরক্সা ২০২৩ অমসুং ভারত্তিয়া সকসিয়া অধিনিয়ম-২০২৩ না বৃটিশ মতমদগী চৎনরক্লবা ইন্দিয়ান পেনাল কোর্ট ১৮৬০, দা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর ১৯৭৩ অমসুং দা ইন্দিয়ান ইভিদেন্স এক্ট ১৮৭২ গী মহুৎ শিল্লগনি।

অনৌবা আইন অহুম অসিগী মখাদা পুলিস ষ্টেসন অমদনা হেক্তা জিরো এফ.আই.আর. পানবা অমদি কোর্ট কেস য়ামদ্রবদা অনিরক এদজোরমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা পীরিবা অসিনা আইনশিং অসিনা মীয়ামদা অদুক্কী মতিক মতেং ওইগনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-অনৌবা আইন অসিগী মখাদা মশাগী লোলদা এফ.আই.আর. থাংগৎপা য়ারগনি। শ্রী বিরেননা হায়-আইন অসিবু ঙাকা চৎনহনগদবা সেক্যুরিতি ওফিসার অমদি উকিলশিংনা পুকচেল শেংদ্রবদি আইন অসিগী ৱাহন্থোক লৈতবগা চপ মান্নগনি। মরম অদুনা মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগীদমক্তা পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-আইনশিং অসি ভারত্তা লৈরিবা ক্রিমিনেল জষ্টিস সিষ্টেমদা থেংনরিবা খুদোংচাবশিং মতমগা চুন্নরবা ইনভেষ্টিগেসনগী মওং

মতৌ অমসুং টেকোলোজিগী মতেংগা লোয়ননা মায়োকনবনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা আইন মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়-মমাংগী আইনশিং অসিদদি মরাল লৈবা মীওইশিং শেমদোকপগী খুদোংচাবা পীবগী মহুৎতা মখোয়বু দন্দি পীবদা ওইনা অহেনবা মীৎয়েং চংলি।

ঙসিগী থৌরমদুদা মন্ত্রিশিং, এম.এল.এশিং, চীফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি, সিভিল অমদি পুলিসকা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমসুং আইনগী লমদা থবক তৌরিবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**এৱারনেস (এল)ঃ** অনৌবা আইন অহুম ঙসিদগী চৎনবা হৌখিবগা মরী লৈননা মনিপুরদসু মসিগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না নীংথিনা খঙহন্নবা থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

উখ্রুলদা লৈবা পেতিগিয়ু কলেজতা আইন অহুম অসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ৱাখল তামীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল-কে.এস. সোরৈসাংনা আইন অহুম অসিনা ভারতকী ৱায়েল পথাপতা পুরক্কদৌরিবা অহোংবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

আইন অহুম অসিগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামীন্নবগী থৌরম অসি থৌবাল জিলাদা লৈবা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী কনফরেন্স হোলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এদভোকেট-কে.ঐচ. অরুনজোয়না ভারত্তা ঙসিদগী নৌনা চৎনবা হৌরবা আইন অহুম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ককচিং জিলাদসু এস.পি. ককচিংগী ওফিসতা পুলিস ওফিসারশিং আইন অসিগী মতাংদা হেন্না নীংথিনা খঙমীন্ননবা থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা জিলা অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা কমিতিশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

চান্দেল জিলাদসু আইন অসিগী মতাংদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজ, কোমলাথাবীগী সেমিনার হোলদা পাঙথোকখি। আই.ক্যু.এ.সি. (সেমকো) না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা টৈকিকেল

সেসনগী শরুক অমা ওইনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

এন.জি. মণি কলেজনসু আইন অহুম অসিগী মতাংদা রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ য়ুনিভরসিতি এন্দ হয়ার এদুকেসনগী মখাদা মীয়ামবু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ষ্টেন্দরদ কলেজকী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং কলেজ অসিগী আই.ক্যু.এ.সিগা পুন্না খুৎশমনা শিনদুনা ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রবা অনৌবা আইন অহুমগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ভাব তামীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

**জেদিয়ু(এল)ঃ** মনিপুরদা থা ১৪ হেল্লক্লবা ইরাং অসি অথুবা মতমদা লোয়শিনদুনা মহৌশাগুম তৎদু লৈতানা লৈহন্নবা প্রধান মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রিদা তকশিনবীয়ু হায়না জে.দি.য়ু. মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটনা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুরদা তকশিনখ্রে।

জে.দি.য়ু. মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ভাইস প্রসিদেন্ট-শ্রী সঞ্জয় অহন্থেম অমসুং সেক্রেটরি জেনরেল মৈস্নাম দোরেন্দ্রোনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-রামনাথ ঠাকুরগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ইরাংগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা ইরাং অসি লোয়শিলহন্নবা তকশিনখি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ৱাথোক অসি থুনা লোয়নবা হোৎনগনি। মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হায়-জনতা দল য়ুনাইটেদকী নেসনেল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমারনসু মনিপুরগী ৱাথোক অসি য়ামা লুমা লৌবগা লোয়ননা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোয়শিন্নবা প্রধান মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রিদা তকশিনগনি হায়রি। মীহুৎ কাংবু অসিনা জে.দি.য়ুগী লোক সভা সদস্য-রাম পিত্র মন্দলগসু উন্নদুনা ইরাং অসি লোয়শিন্নবা তকশিনখি অমদি এম.পিনা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

**মেট (এল)ঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অৱাং নোংপোক ভারত, নোংপোক অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ অমসুং রেদ এলার্ট লাওথোকখ্রে।

অকাশবানি নিউজকা ৱারী শান্নবদা বিভাগ অসিগী সাইন্টিষ্ট-সোমা সেন রোইনা হায়-অৱাং নোংচুপ লোমদগী হৌরকপা কুমগী নোং অথুবা মতমদা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং চুরগনি।

ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না, লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক-অরাওগা লোয়ননা অকনবা নোং চুগনি। সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাগী মফম খরদা অখাক-অরাওগা লোয়ননা সিন্টেমিটর কুনগী চাংদা নোং চুগনি। জিলা অনি অসিদা ওরেঞ্জ এলার্ট লাওথোকখ্রে। জিলা অনি অসিদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু পাক্তকনা নোং চুখিগনি হায়রি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখেনিনা হায়-সেনাপতিগী মফম কয়াদা ঙরাংদগী লেপ্তুনা নোং চুরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা জিলা অসিদা চেল্লিবা মরুওইবা ত্রেল অনি-বরাক অমসুং সেনাপতি তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলক্লি। অদুমওইনমক, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক্তি য়ৌদ্রি। তমেংলোং, কাংপোকপি, কামজোং, তেংনৌপল, চান্দেল, ফেরজোল অমসুং জিরিবামদসু হয়েং ফাওবা অখাক-অরাওগা লোয়ননা নোং চুখিগনি।

হন্দক নোং লেপ্তুনা চুবদগী ককচিং জিলাগী ককচিং খুল্লেন ইবুধৌ খামলাংবগী মমাংদা চেল্লিবা তুরেলগী তোর্বানগী শরুক কিন্থখিবদগী অমাং অতা খরা থোকহল্লে। জিলা অসিগী এম.এল.এ. এম. রামেশ্বরনা তুরেল তোর্বান কিন্থখিবগী ফিভম ঙসি য়েংশিনখি।

**কিল্ড (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খাঙবোক্তা লৈবা কিম এদুকেস্নেল সোসাইতিগী

ফাউন্দর হাৎলম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি খাঙবোক্তগী থৌবাল দি.সি. ওফিস ফাওবা মহৈরোইশিংগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

এম.এস.এফ. থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট, কে.দি.এ.এস.য়ু. খাঙবোক অমসুং মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা শিনদুনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মীশি অসিগী লংলা লংজিল অথুবা মতমদা পুথোকউ, চেন্নবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু হায়বা দাবী তৌদুনা দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং এস.পিদা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

**ফোক্স (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী বোরোবেক্রা সব-দিভিজনগী মনুং চনবা জাকুরাধোর পার্ট-টুদা লৈবা মীতৈগী য়ুম অমা শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্বগী থৌওং অদুবু ফেদরেসন ওফ সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন্স (ফোক্স) মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটিরি-নেরিসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেসনদগী মিটর ৭০০ লোম চৎলগা লৈবা মফম অসিদা লৈবা য়ুম অমা মৈ থারম্বা অসি য়ামা চিংনিনিংঙাই ওই। থৌওং অসি মীতৈ অমদি অতৈ খুন্দামিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংগগী মরক্তা নৌনা চয়েৎনবা থোক্লকবা শিনবা থৌওং অমনি হায়না লৌই।

**ডাক্তর (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি নেস্নেল ডোক্টরস দে পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিনা লাকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ডোক্টরশিংবু ইকাই খুমবা উৎলক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিদা লৈরিবা ডোক্টরশিংনা চোকথবা লৈতনা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবা অদুগা লোয়ননা মীয়ামগী সেবা

তৌরিবা অসি থাগৎনিঙাইনি। অসিগুম্বা চিংলেল্লবা শিনফমদা থবক তৌরিবশিংগী তুংগী পুন্সিদা মায় পাকপা হায়বদু ওইরসনু।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রঞ্চকী ষ্টেট ৱার্কিং কন্মিটিনসু নুমিৎ অসি ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা ইমা হাউসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ডোক্টর ৬ ইকাই খুমবা উৎখি।

নুমিৎ পালন অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ, এসোসিয়েসন ওফ ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন্না রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ ত্রান্সফ্যুজন মেদিসিন, ইন্দিয়ান রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ৱেষ্ট, পার্সোনেলিটি এন্দ টেলেন্ট দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, লোঞ্জা অলেপ্পা লুপ, লাইনিংথৌ সনামহি লুপকা পুন্না খুৎশমদুনা মঙা শুবা ভলুন্টরি ব্লদ দোনেসন কম আই অমসুং ওর্গান দোনেসনগী থৌরম অমা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী হোলদা পাঙথোকখি।

তমেংলোংদা জিলাদসু নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লিটুল মিল্লেনিয়ম (কিন্দর গার্দেন) গী মহৈরোয়শিংনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল তমেংলোংদা চৎতুনা ডোক্টরশিংবু ইকাই খুমবা উৎখি। কিন্দরগার্দেনগী পীক্লিবা অঙাংশিংদা থাগৎ ৱাহৈ কয়া ইবা চেরোলশিং পীদুনা হোস্পিটাল অদুদা মথৌ তৌরিবা ডোক্টরশিংবু ইকাই খুমবা উৎখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা চহি অসিগী দিসেম্বর ফাওবদা য়ুমথোং খুদিংদা থকবা অফবা ঈশিং ফংহন্নবা পান্দম থল্লি।

থৌবাল জিলাদা লৈবা দিপ্যুতি কন্মিস্নারগী কনফরেন্স হোলদা দিপ্যুতি কন্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা সভাপতি ওইদুনা দিষ্ট্রিক্ট ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিতিগী মীফম ঙসি পাঙথোকখি। মীফম অদুদা জল জিবন মীসন, ভিলেজ ৱাটর এন্দ সেনিটেসন কমিতি শেম্বা অমদি লমহাং তুমহাংদা অমাং অশোয় তৌহনদবা জিলা অমা ওইনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। জিলা অদুদা হৌজিক

ফাওবদা থকবা টোটি ঈশিং চাদা ৮৮.২৩ পীবা ঙমলে।

**মীফম(এল)ঃ** কবুই য়ুনিয়নগী চহী অসিগী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীফম ঙসি মোইরাংখোম কবুই খুলগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা কবুইগী থৌপুবশিং শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা হন্দক নাগপুরদা পঙথোকখিবা নেস্নেল আর্ম রেস্লিং অমদি পেরা রেস্লিং চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ দা খুৎ য়েৎ অমসুং ওয়গী পঞ্জাদা অনিশুবা তারকখ্রবা লোংমৈ পৌরিল্লুংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা পুকিং থৌগৎখি। লোয়ননা, ইরমদম অসিগী য়েক সলাই লৈবা ফুরুপ খুদিংমক পুনশিন্দুনা অপুনবগী পাঙ্গল শাগৎপদা কবুই ফুরুপসু অচৌবা থৌদাং লৌবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৫ সু লৌখি হায়না য়ুনিয়ন অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**এনপিও (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী অকোয়বা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথবা য়ারোই হায়না নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন (এন.পি.ও)না অথিংবা থমখ্রে।

এনপিওগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা চহী অমা হেন্না চথরক্লিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা পামদবা থৌদোশিং থোকপা লৈতে। জিলা অসি ইংন-চিকা লৈবা মফম অমনি। মরম অদুনা জিলা অসিগী অকোয়বা মফমশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা-হুম্বগী থবক চথবদা অথিংবা থমবা ওর্গনাইজেসন অসিনা ৱারেপ লৌরে। নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা ৱারেপ কয়া লৌবগা লোয়ননা হৌজিক জিলা অসিগী মফম কয়াদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথরিবা অসিসু খুদক্তা লেপবা আপিল তৌরি।

**নিট ঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না নিট (য়ু.জি) গী কেন্দিদেট লিশিং ১,৫৬৩ গী অমুক হন্না পাঙথোকখিবা পরিক্ষাগী ফল লাউথোকখ্রে।

এন.টি.এনা অনৌবা পরিক্ষাগী ফল অসি লাউথোক্লবা মতুংদা কেন্দিদেটশিংগী রেঙ্কতসু শেমদোক্লে। এন.টি.এনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়-কেন্দিদেটশিংগী শেমদোক্লবা স্কোর কার্ড এজেন্সি অসিগী ৱেব সাইটতগী খঙবা য়াগনি। চেরোল অদুনা হায়-পরিক্ষা অমুক হন্না পাঙথোকপা অদুদা কেন্দিদেট ৮১৩ পারিক্ষা থাখি।

এন.টি.এনা রি-টেষ্ট অদু থা অসিগী ২৩ দা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি। মদুদা, কেন্দিদেট লিশিং ১,৫৬৩ অদু অমুক হন্না পরিক্ষা থাবগী খুদোংচাবা পীখিবনি।

**সংসদঃ** সংসদকী অপুনবা মীফমদা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা পীখিবা ভাষনগী মোসন ওফ থেঙ্কস ঙসিদগী লোক সভাদা খন্নবা হৌখ্রে। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বি.জে.পি. সদস্য অনুরাখ ঠাকুরনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

মহাকা হায়-নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা থৌরাং কয়া লৌখৎখি। শ্রী অনুরাখনা হায়-প্রধান মন্তি গরিফ কল্যান অন্ন য়োজনাগী মখাদা মীওই কোতি ৮০ রোমদা লেমা চেং-হৱাই পীথখ্রে। মসিগী মথক্তা য়ুম কোতি মরি অমদি টোইলেট কোতি ১২ শাখ্রে।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা নিট পরিক্ষাদা অশোয়বা অরানবা কয়া তৌখিবা, অগাবির স্কিম, মনিপুরগী তংদু লৈতাদবা, দিমোনিটাইজেসন, ইনফ্লেসন হেনগৎলক্লিবা অমদি লৌমীশিংগী ৱাথোক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া পুখৎলকখি। রাহুল গান্ধিনা নিট ইগজামগী মতাংদা

নোংমা চুপা খন্ন-নৈনবগী অপান্বা ফোংদোকখি। মহাক্কী ৱারোলদা হিন্দু জাতিশিংগী মতাংদা ফোংদোকখিবা ৱাফম অদুবু প্রধান মন্ত্রি অমদি গৃহ মন্ত্রিনা য়ানিংদবা ফোংদোকখি। মদুদা, অধ্যক্ষ ওম. বিরলানা সভাদা ৱা ঙাংবদা সভাগী চৎন-কাংলোন ঙাকা চৎনবা খঙহনখি।

**ওকপা (এল)ঃ** একাডমীক ইন্সেন্টিব এৱার্ড কমিতি (আইকো) ময়াং ইম্ফালনা শিনদুনা চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম চহি অসিগী ওইনা ২৬ শুবা এনকোরেজমেন্টগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হন্দক্তা বোর্ড অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বতা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্র অমদি ককচিং জিলাগী ময়াং ইম্ফাল মাইবমদা লৈবা মহৈরোইশিংদা মনা মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**রাস্ত্রভাসা (এল)ঃ** রাস্ত্রভাষা প্রচার সমিতি ৱারধাগী মখাদা মনিপুর রাস্ত্রভাষা প্রচার সমিতি ইম্ফালনা শিনদুনা হৌখিবা এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা রাস্ত্রভাষা প্রথমিক্তগী রাস্ত্রভাষা রতা ফাওবগী পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবা কেন্দ্রশিং অমদি মহৈরোইশিংনা সমিতিগী ওফিসতগী অকুপ্পা ৱারোল খঙলবা য়াগনি হায়না সমিতিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**রুপমহল (এল)ঃ** চৎলিবা চহি ২০২৪ গী ওইনা রুপমহল ঠিয়েটরনা চহি খুদিংগী লান্থোকপা হৱাইবম নিলামনি নিংশিং মনা ২০২৪, কালা ক্ষেত্রা মনিপুরগী দাইরেক্তর, রাইটর অমদি ম্যুজিওকোলোজিষ্ট-হৈস্নাম তোম্বদা পীরগনি। মনা অসি থা অসিগী ৭ তা পাঙথোক্কদবা রুপমহল ঠিয়েটরগী ৭৬ শুবা কুমওন থৌরমদা খুৎশিন্নগনি।

**সেপাক তাক্রৌ (এল)ঃ** ওল ইন্দিয়া ইন্টর সাই সেপাক তাক্রৌ টুর্নামেন্ট

হয়েংদগী ইম্ফালগী খুম্মন লম্পাক ইন্দোর হোলদা হৌরগনি। টিম মঙানা শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসি, স্পোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরনা শিনবনি।

**পঞ্জা (এল)ঃ** মহারাস্ত্রদা লৈবা মুলজিভাই মহেতা ইন্টরনেসনেল স্কুলদা পাঙথোকপা ৪৮ শুবা আম স্পোর্টস চেম্পিয়নসিপতা মনিপুরনা সনাগী মরি, লুপাগী তকমান অমা ফংলে।